# খোংজোম লান নীংশিং নুমিৎ য়ৌশিল্লক্কদৌরে - লোইখ্রসনু থামম্বা অহিংসু

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*খোংজোম তুরেল য়াঙ্গংবী*
*মৈতৈ তুরেল পুক্তপ্পী*
*মচাশিংবু কৌদুনা*
*পারি কায়না মৈচাক্লা*
*খোংজোম তীর্থ ইমানি*
*বোমগী তোপকী খোঞ্জেলনা*
*থাঙগী নোংথাং কুপ্পদা*
*খূৎলায় মৈশা লাংলবা*
*নতম্বাক্তা ওনখিবা*
*নচাই ঈদি মরিক্লা*
*অথৌবগী পিরিক্লা*

*ঈথক হৌনা চেঞ্জরি*
*পিগী ঈথক হৌজরি*
*থম্মোয় কায়না কপচরি।*
*অৱা মৈশা লাংজবী*
*অৱা শক্লোন পুরিবী*
*নোংমা থম্মোয় কায়খিবা,*
*মীৎস্না থম্বাল থকখিবা।*
*মৈতৈ অকন অথৌনা*
*পলেম খোল্লাং থক্তুনা।*
*পলেম চরৈ ঙাংখিবা,*
*ইমাই থম্মোয় চোংখিবা।*

শক্লাইরবা কবি নীলবীর শাস্ত্রীনা ইবা *খোংজোম তীর্থ* শৈরেংগী পরেং খরা লৌখৎচবনি। নুংশিবা, কপ্পীংবা, পেন্দবা ইয়ান য়ান্নে। থম্মোয়সে তনিক তনিকই। লাকচখিদকো হায়বা ৱাখলসিনা পূক্লিংসে কয়াদা খোয়শাউনহল্লিবনো! মীকূপ অমদা শেমখিবা মণিপুর নত্তে। চহী চা কয়া চঙনা অথৌবা কয়াগী ঈখেং কত্তুনা শেমগৎলকখিবা ঈরৈবাকনি। মীরোন মথং মথং লান্না লেপ্লাইদনা চথ্থরকখিবা লান কয়াদা থৱায় কয়া কৎখ্রবনি। মীওইবগী পুৱারীগা য়াওনমিন্নদুনা লাকখিবা তমথীরবা মচৎ অমনি। মদুমক ওইদুনসু তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা খূৎকন পাঙ্গনবা অপূনবা মণিপুরগী শক্তম শাগৎনবা পান্থে অমসু ওইখিবনি। য়ূমলোন্নবা বর্মা, ত্রিপুরা, কছারনচিংবনা কিনখিবা লৈবাক ওইরম্লিবনি। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা ক্যাং খম্বৎ খুদুম চনশিনবা ঙমখিবা লান অদুনা কবো তম্পাক্কী অচৌবা শরুক অমা ঐখোয়গী লমখৈ মনুংদা য়াওহনখিবদু মঙ নত্তে অশেংবা পুৱারীগী থৌদোকনি। মৈদিংঙু থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা কবো তম্পাক্কী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মুংখোং মুংয়াং খুদুম চনখিবা মতাংদা থোনখিবা *মুংয়াম্বা* মিংলেন অথোইবা মতিক মথৌনাগা চুনবনি। খাগী (চাইনা) নিংথৌ পিয়াঙ্গুনা লাকশিনবা ঙমদবা ময়দনা হিংচাবদো মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা ইরায় লায়না মায়থীবা পীখিবনি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মিংলেনসু অদুমঙায়, খাগী খুল্লেনলৈ মায়থীবা পীখিবা হাক্তক্তা মিংথোনখিবনি। মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তসু কয়ামুক য়াম্না খূৎকন পাঙ্গল্লম্বগে হায়বদু বর্মাগী কোংমুদো পেগোদা থোঙজাউদা হকখিবা ইনিংথৌগী থাঙফম্না মীরোন খুদিংমক্তা পাউদম্লিবসিনি।

অসিগুম্লবা খূৎকন পাঙ্গনবদা মমিং লৈরম্বা ঈরৈবাক্কী নীংতম ফিরাল ফুক্তোকপীখিবা লাইবক থীবী কুমজা ১৮৯১গী শজিবু থানি। অথৌবা পাউনা মেঞ্জোর অমদি চোংথা মেঞ্জোরনা লুচিংদুনা খোংজোম তুরেন মপান্দা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখিবদু লোই লম শন্দোকপদা হালেংদ্রবা য়েক্লবা বৃটিশকা লাম্বা পারগে, ইমাগী নীংতম্বা ঙাক্লবা লান্থেংনবদা থৱায় থাবা পাম্মুখ্ররোই হায়বগীনি। মতিক মথৌনানা য়োল্লবা মপারি কয়ানা ইমাগীদমক ঐখোয় লৈরি হায়না চোংথোরকপদা লাইবক চাউবী খোংজোম তুরেলনা কয়াগী মতিক চাউথোকচরমগদবা! মোং হাদবী ঈচেলদুনা নুংঙাইবগী ঈশৈ শত্তুনা তাম্থা চানা জগোয় শারমগনি। অদুবু বোম তোপকী অকনবা শাফু মায়োক্লরম্লগা থৱায় থাখ্রবা মপারী অথৌবশিংগী ঈখেংনা মাগী ঈচেলদা ঈতিল্লকপদা থম্মোয় কায়রবী খোংজোম তুরেলগী অৱা মৈচাক করি ওইরমগনি? মাগী তেংথা ঈশৈবু তাইবঙ কনানা খঙবীরমগনি? পাউনানচিংবা অথৌবা কয়ানা লানফম ময়ায়দা থৱায় লৈরাং কৎখিবদো শং শংনা উহৌবী খোংজোম তুরেলনি। মদুননি ঙসি ফাওবা পুৱারীগা শাগোন্নরবা লেঙদা খুদম ওইদুনা লৈরিবসি। চহী খুদিংগী লৈঙাক্লা শিনবা খোংজোম লান নীংশিং নুমিৎ পাঙথোক্তুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবইদবক লান্থেংনখিবা লান্মীশিংবু নীংশিংলি। লৈঙাক অমদি মীয়াম্না মখোয়গী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলিবনি।

মণিপুর অমদি মপান লমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দা লৈতাখ্রবা কাঙলূপ অসিগী মীপূম খুদিংমক্কী মফমদদি অনৌবা কুমজা হৌবা থানি শজিবু থাসে। নোংমা পানবা চৈরাওবদবু ওইগেরা, গৌর চৈরাওবদনিবু হায়রসু কুসুমলৈ, চেংলৈ, কোম্বীরৈ, য়াইপল, য়েরুমলৈ, মেলৈ লৈস্নানচিংবা লৈরাং লৈখল কয়া, হৈরী হৈয়াই, মালহৈ মঙ্গৈহৈনচিংবা হৈরাং হৈখল কয়াগা লোয়ননা মথেল লুকোয় শেমদুনা লাইনিংথৌ লৈমরেন অমদি লমঙাক লমশেনবীবা লাইশিংদা কৎচদুনা য়ূল্লোন কৈরোন্নবা ইমুং মনুং এঞ্জাং মথেল লান্নরগা ইমুংগী মীওই অমত্তা চিখ্খদনা হরাও নুংঙাইনা চামিন থকমিন্নদুনা নুংশি চান্নদা হিংমিন্নবগী খুদম উৎলি। নুমিৎ অসিদা খৎন-চৈনবা ফত্তে হায়দুনা ফনমক শাউনীংবা মতাং য়াওরল্লবসু পূক্লিং ফাথনরিবনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা অনৌবা কুমজাবু হরাও তয়াম্না ওকচবা শজিবু থানি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি কুমজা ১৮৯১গী শজিবু থাদুদি থাশি অহিংগা পাংখক ওইখ্রে। বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী ফিৱান্নুংদা মণিপুরসু চনশিনখি। অথৌবা কয়াগী ঈখেংনসু কনবা ঙমহৌদ্রবী ইমা ওইখি। পূম্নমক্তু খোংজোম ৱার মেমোরিএল, ৱাংখৈ মৈরাবা নীংশিং খুভম, তেঙ্গোল লম্পাক্লচিংবনা নীংশিং খুদম ওইদুনা লৈরি। নীংশিং খুভম ওইনা শেমগৎকদবা মফম কয়া অমসু লৈতবা নত্তে।

নীংশিং থৌরম পাঙথোকপখক্লা পুঙপেন পেল্লে হায়রগদ্রা? ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ইরৈবাকপু নুংশিজবগী মফম কন্দুনা থম্বনা মরূনি হায়জনীংই। হৌখিবা পুৱারী হঙ্গৎনা য়েংবগী মথৌ তারকই। খূৎকন পাঙ্গল্লবা লৈবাক অমনা মীখা পোনখিবগী মরমদু নৈনবা মথৌ তারকই। লিংজেল মান্নদবা ঈ মশেলগী লান, মসিননি ঐখোয়গী ইরৈচাশিংগী পাঙ্গল খংশোন শোন্থহনখিবদু। পুৱারীগী থৌদোকশিংনদি ঐখোয়দা তশেং তশেংনা পাউদম্লি মদুদি ফম্বাল লান অমদি মীগী মতেং লৌনীংমল্লুবনা পাঙ্গল থোক্তবী মণিপুর ওইহল্লকখিবনি। খুদম খরা পঞ্জরবদা মৈদিংঙু চৌর্জিৎকী মথক্তা মনাউইবুংঙো মর্জিৎনা লানশিংনখি। বর্মা লৈঙাক্কী মতেং লৌদুনা ময়াম্লংবু ফম্বালদগী চিংথরগা মার্জিৎনা নিংথৌ ওইখি। মদুগী মহয় অফবা ওইখিদে। ইচিনসিনা কাঙথোকপদা ইকায়বা তাঙ্কক ***চহী তরেৎ খুন্তাকপা*** লাকখি। অৱাগী মখূত্তগী ইমা লৈবাকপু অমুক নীংতম্বা ফংখ্রে। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ, নরসিংহনচিংবা অথৌবা কয়াগী হোৎনজমন্ননি। অদুবু কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম ওক্লে হায়বদুনি, বৃটিশকী মতেং লৌরুবদুনা লাইজেংগী য়ানুংদা চোংশিনবগা পাংখক ওইখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী থবক্তা খূৎ থিংজিনবা হৌরকখি। ৱাহৈদা ফিরিঙ্গি লল্লৌ হায়নরিবনি। কায়নথংদদি মখোয়না মপু ওন্থোকখ্রে। ইশম হেক শম্না লৌ মপু য়োংনা তানখ্রে। বৃটিশকী মখূৎনা অসুম অসুম শাংদোরকপগা লৈঙাক চুপ্পি পায়বা মশেন মুকখায়নরগা গোংথেংগাইনদুনা ১৮৯১গী লান থোকখ্রিবনি। ইমানা মীখা পোনবী ওইখিবদু লাকচমন্দ্রনে? ইরমদমগী শেংলবা লৈমায়সিবু ইরৈচাশিংগী ঈখেংনা চোৎহনখিবা, মখোয়গী হকচাংদগী চেন্থরকপা ঈতনা তুখোং কয়াগী ঈচেলদা তিনখিবা নীংঙমদ্রবা তাংকক্তু অমুক হন্না লাকহনগে লাকহল্লোই ঐখোয়গী খূত্তা লৈ হায়নীংই। ঙসিসু অদুমঙায় খোংজোম লান নীংশিং থৌরম চহী খুদিংগী পাঙথোক্লবসু শীংনরকপা কয়াবু মায়োক্লবা ঙমদ্রবা পূম্নমক অরেম্বনি। ইশাগী লৈজবা পাঙ্গল লৌশিং পূম্নমক কাংখথাঙ ওইদুনা মীশৌ চঙলকপা হায়বসি মশাগী অতাবীনি। কাঙলোন চুম্না চৎলবদি হীরম খুদিংমক্তা শোখরোইদবা লমদমনি। কৈদৌবগী মীপান তাংজরুদোইনো? মীপান তাংবসে 'সুম 'সুম হৈনরকপদগী পঙশোন্দা শোন্থখিবজাৎনি। মমাঙথক্লা মমাঙথক ওইজরবসু মীপান তাংদনা হিংবা অমদি লিংজেল মান্নবগী ৱাখল্লোনসি ঐখোয়গী অঙাংশিংগী পূক্লিং ৱাখল তুংশিন্দুনা লৈহনবগী মথৌ তারক্লে। ইমাবু ইকায় ফিরুক খুমহনগে খুমহল্লোই হায়বসি ঐখোয়গী খূত্তা লৈরে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরগী ওটো সর্ভিসতা আই ভি আরশিং

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরগী ইম্ফাল সিটি অসিদা ঙসিদি মশীং খঙদবমখৈ ওটো সর্ভিস তৌরি, ইম্ফাল সহরগী মফমশিংদি পাকথোরক্কদবা লৈতবনা ফুরা দলাননা কৃক-কৃক ইন্নরক্লি। অসুম্না ইম্ফাল সহরনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা কৈথেল অচৌবা ওইবগী ফংদবা পোৎসু লৈতবা নত্তে। মরম অসিদগী মণিপুরদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী সরাওন্দিং এরিয়া খুদিংমক্তগী অমদি মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদগী ওটো সর্ভিসনা মীওই কয়া ইম্ফাল সহরদা লাকহনবা ঙমহল্লি। মতৌ অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী মীয়াম্না সহর অসিদা মপূং ফানা তিল্লবনা সহর অসিদা মীনা চিক্লা চাইনবা ঙমদ্রিবনি। মসিগীসু মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী মেজিক অমদি অতৈ মখল কয়াগী গাড়ীশিংনা পেসেঞ্জরশিং পুরক্তুনা সহর অসিদা তিলহল্লিবনি। ইম্ফাল সহর অসিদা করবার তৌবগী, ওফিস কাবগী অমদি অতৈ অতোপ্পা থবকশিংগীসু গাড়ীশিং থন্না চৎনরিবনি। অসুম্না ইম্ফাল সহর অসি হায়রপ য়াল্লবা কাঙলূপ-ফুরুপকী মীওইনা থন্না তিল্লরিবনি। অসিগুম্বা মফম অসিদা মীওই কয়াগী হিংহন্নবা লম্বীসু ওইরিবনি। পূম্নমক অসিগী মরু ওইবা থৌদাংদি ইম্ফাল সহরদা চেল্লিবা ওটো সর্ভিস অসিনা মরু ওইনা ওইহল্লিবনি।

মসিগী মথক্তা ঙসিদি অতৈ দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তসু ওটো সর্ভিস তৌদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মী কুংনা তিন্নরক্লি। চুড়াচান্দপুর, সেনাপতি, উখ্রুল অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিং, চীং অমসুং তমগী হেদ ক্বার্টর পূম্নমক্তসু ওটো সর্ভিসনা মীওই কয়াদা খুদোংচাবা পীরি। করিগুম্বদসু দিষ্ট্রিক্ট অতৈদগী ইম্ফাল সহরদা অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু ফাওনবা য়াওরি। থৌবালদসু থৌবালগী লমদম কয়াগীদা নত্তনা ওটোনা কককচীং দিষ্ট্রিক্টসু ফাওনবা য়াওরি। অসুম্না মণিপুরগী টাউন মচা কয়াদসু ওটো সর্ভিসনা মীওই কয়াগী চৎথোক চৎশিন তৌনদুনা অমগা অমগা নক্লবা ঙমহল্লক্লি। মোরে অমদি জিরিদসু অদুমঙাই ওটো সর্ভিসনা মীওই কয়াবু য়ৌনীংবা মফমদা য়ৌহনবা ঙমহল্লি। অসুম্না ওটোরিক্সোনা মীওই কয়াদা চাউরবা মতেং পাংলবসু লম্বী ফত্তবা মফম কয়া য়াওবনা ওটো কয়া তেকপা-কায়বা অমদি এক্সিদেন্ট নচিংবা কয়া থোকপা য়াওরক্লি। মতমদুদা মখোয়না চেল্লিবা লম্বীশিং অদু অফবা লম্বী ওইহনবা পাম্নে।

অমরোমদা নেসনল হায়ৱে, ষ্টেট হায়ৱেদা খুদক্তা অথিংবা লৈবা য়াওরকপদসু আই ভি আরদা চৎনরক্তবা নত্তে। মরম অদুনা হন্দক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নেসনল হায়ৱে অমদি ষ্টেট হায়ৱেদা নত্তনা আই ভি আর কয়াবুসু চাওথোকহনবা অমদি পাকথোকহল্লবদি ফায়র বৃগেদ, গাড়ী অচৌবা মমায় লৈথোক লৈশিনগী ৱা খক্তা নত্তনা মেজিক, বস, ওটো অমদি মীওই কয়াগী থৌগল তৌরিবা গাড়ীশিংগীদা নত্তনা মীওই কয়াগীসু য়াইফবা ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা আই ভি আর ইম্ফাল সহরগীতা পাকথোক চাওথোকহনবতা নত্তনা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী আই ভি আরশিংসু চাওথেকহনবীরবদি মায়কৈ কয়াগী মীয়ামগী পুন্সিগী অমদি মণিপুরদা চেল্লিবা ওটো অমদি মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিংগীসু মথোই হাপ্লক্কনি, মদুনা মণিপুরগী মীওই কয়াগী য়াইফবা অমদি নুংঙাইবা শোয়দনা ওইহনগনি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## অনৌবা লৈঙাক্তা এদেদ স্কুল

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক টর্ম অনীরক থংন-থংননা লৈরক্লে। মণিপুরগী বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেল্লবদি লমদম অসি সনা লৈবাক ওলহনবা ঙমগনি হায়না কয়ারক হন্না লাওরিবনি। লমদম অমা চাওখৎপা হায়বসি হ্যুমেন রিসোর্স য়াওদনা য়াবা নত্তে। মসিদা মণিপুরগী মীয়াম অপূম্বনা অচৌবা আশা কয়া তৌনরিবনি। মণিপুরগী চীং তম অনীমক্তা এদেদ স্কুল কয়াগীসু আশা কয়া অমা থম্নরক্লি।

হৌখিবা মতমগী লৈঙাক কয়া লাকখ্রে। অদুবু চহী ৪২ হেল্লবা লমদম অসিগী এদেদ স্কুল কয়া অসিগী মরাইবক্তি হন্না তুনা য়েংবীদনা লাকখ্রবনি। মমাঙগী টর্মগী লৈঙাক্তা এদেদ স্কুল থমদনা অনৌবা এদ্যুকেসনগী মায়ওন অমা লাকপা য়াবগী ফীভম লৈরুরবনি। অদুবু মিনিষ্টর খরা লৌথোকপা য়াওনা হোংদোক হোংজিন তৌবদগী তাঞ্জা অদু মাঙখ্রে। ঙসিদি বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমুক হল্লকপা ঙমখ্রে। মসিদা এদ্যুকেসনদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা লমদম অসিবু অওনবা এদ্যুকেসন অমা লাক্লবা অকনবা মীৎয়েং থম্বীরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী চাউরবা থাজবনি। চহী ৪২ হেল্লবা মতম অসিদা ওজা কয়া কথোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা অৱাবা খালম্লগা মশাগী মহয় চাবা ফংজদনা থবক্তগী পোখাখ্রে। অদুবু ঙসিগী লৈঙাক্লা স্কুলশিং অসি মহৈরোয় লৈত্রবা শুপ্পগী এপ্রুভ ওজা খক্তা লৈবা স্কুলশিংগীনা কন্দিসন অমা থম্বীরগা মহৈরোয় মপূং খরা ফাবা স্কুল খরদি লৈঙাক্কী ওইনা লৌশিনবীরবদি অফবা মায়ওন অমা লাকপা ঙমগনি। মরমদি লন্নাই স্কুল কয়াদগী মহৈরোয় কয়া লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা এদেদ স্কুলশিংদা মহৈরোয় মশীং য়াম্না কাবা হৌনরে। অসিগুম্বা মরম কয়া অসিনা এদেদ স্কুলশিং অসি য়েংশিনবীদুনা ফীভম ফহনবা য়াম্নমক মথৌ তারকই। করিগুম্বা এদেদ স্কুলশিং অসি য়েংবীদবা তারবদি মরু ওইনা মহৈরোয় অমদি লায়রবগী পনখৈগী মখাদা লৈবা মমা মপাশিংগী লম্বী পূম্নমক মাঙখ্রগনি।

চহী ৪০ হেল্লবা এদেদ স্কুলশিংদা এপ্রুভ ওজা ওইদুনা লৈরকপা মীওই কয়া চহীনা লুমশিল্লক্তুনা থবক্তগী পোখারবা, চা গ্লাস অমগী পৈশা ফাওবা পুথোক্তুনা থকপা ফাওবা ফংজদ্রবা ওজা কয়া লৈরিবা অসি মখোয়গীদমক য়াম্বা য়ামদবা লম-শম ওইরবসু করিগুম্বা মখল অমগী পেন্সনগী শেনফম পীবিরবদি হেন্না পেনবা ওইগনি। ঙসি ফাওবদা অহল ওইরবা মমিৎ মনা চোৎলবা ওজা কয়া কোক্তা খূৎ হাপ্তুনা লৈরি। অতোপ্পা অমনা সেন্টর লৈঙাক্কী থৌশিল অমগী মখাদা ক্লাস থ্রীদগী টেন ফাওবা হিন্দিবু শোয়ফদবা সবজেক্ট ওইনা তম্নবা লাউথোকপা লৈখ্রে অদুবু এদেদ স্কুল পূম্নমক্তদি হিন্দি ওজা য়াওদনা চহী ৪০ হেন্না হিন্দি তম্বীদুনা লাক্লি। সেন্টরগী মখাদা হান্না হিন্দি ওজা সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মতম খরা লৈরম্বা অদুসু ককথৎতুনা থম্বীখ্রে। খোঙথাং অসিদা হিন্দিবু করম্না ফজনা তম্বীবা ঙমগনি। মথক্কী অৱাৎপা ময়াম অসি য়েংবীদুনা অমদি পান্থে লৈজদ্রবা মীয়ামগী ৱাকৎ খন্নবীদুনা লৈঙাক অসিনা য়েংশিনবীরবদি ঙমখৈ লৈতনা অপেনবা পোক্লগনি অমসুং পুৱারী ইবদা য়াওহৌরগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম*

## ষ্টেটকী পাউ

### লপাসালগী মশা লোয়শঙ অনী হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১০ দা লাইনিংথৌ পুরৈরোম্বা অঙোম সলাই অপুনবা লূপ (লপাসাল)না লূপ অসিগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লূপ অসিগী ১৩ অমসুং ১৪ শুবা মশা লোয়শঙ অনী হাঙদোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অঙোম ব্রজমনি, অঙোম জদুমনি অমসুং অঙোম বাবুনচিংবশিংনা মথংশিৎনা লুচিংলেন, লুচিং থৌশিল্লোই অমসুং শেম্মিৎ শানবালোই ওইরগা মীওই ১১ না খুজিং ওইদুনা ফোইজিং অৱাং, নম্বোলগী থৌপুনবগীদমক খল্লে। অদুগা অঙোম বিদ্যমনি, অঙোম শ্যাম অমসুং অঙোমে রোমেসনা মথংশিৎনা লুচিংলেন, লুচিং থৌশিল্লোই অমসুং শেম্মিৎ শানবালোই ওইরগা মীওই ১১ না খুজিং ওইদুনা থৌবুল মখা লৈকায়, তৌবুলগী থৌ পুনবগীদমক খল্লে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা কোনুং মমাংদা হৌরিবা পুরৈরোম্বা খোঙনাংবু য়োকখৎপদা পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়না অপিল তৌরক্লি।

### ব্লদ সেন্টর হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস): খাবৈসোইদা লৈবা বাবিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটালদা ঙসি ব্লদ সেন্টর ওফ অমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট অমা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমগা লোয়ননা হাঙদোকখ্রে। ঙসি নৌনা হাঙদোক্লিবা ইন্সটিট্যুট অসিনা লমদম অসিদা থোরক্কদবা অমদি থোক্তুনা লাক্লিবা ঈগা মরী লৈনবা লাইবক থিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদগী খরমখৈদি কনবদা মতেং পাংবা ঙল্লগনি। মসি লমদম অসিগী ওইনদি য়াম্না কান্নবা অমদি হায়না দাইস মেম্বরশিংনা ফোঙদোক্লুখি।

### সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিসনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থিঙয়ান ফেষ্টিবেল পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস): ম্যান্মার লৈবাক্তা চহী হৌবগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা থিঙয়ান ফেষ্টিবেল (ৱাটর ফেষ্টিবেল) গী শরুক অমা ওইনা ঙসি সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শিন্দুনা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগা লোয়ননা থিঙয়ান ফেষ্টিবেল পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো, এন লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র ডা. লাইময়ুম বিশ্বনাথনা থৌরম মপু অদুগা সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এম সী অরুন অমসুং সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিটি থোকচোম থোইবনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর এন লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ম্যান্মারগী লোন অমদি লৈবাক অসিগী সোসিও ইকনমিক এন্দ পোলিটিকেলগী মতাংদা নৈননবগীদমক হাংদুনা লৈরিবা সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিসনা চহী খুদিংগী ৱাটর ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ম্যান্মারগী ওইনা এপ্রিল থাগী ১৩ দগী হৌরগা ১৮ ফাওবা হায়রিবা কুম্হৈ অসি পাঙথোকই। লৈবাক অসিগী ওইনা হায়রিবা মতম অসি চহী হৌবগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা মতম্নি।

হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হাংলিবা সেন্টর অসিদা স্পেসল এসিষ্টেন্স পীবিনবা সেন্টরদা হায়জবা লৈখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোক্লিবা ৱাটর ফেষ্টিবেল অসি য়াম্না থাগৎনিঙাই ওই। মসিনা ম্যান্মার লৈবাক অমদি মণিপুরগা লৈনরিবা অমদি লৈনরম্বা মরীশিং খঙহন্নবা হোৎনবদসু শোয়দনা মতেং ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা কলচরেল এক্টিভিটি থোকচোম থোইবনা হায়খিবদা, মণিপুরগী ওইনসু চহী হৌবা অসি এপ্রিল থাদা ওইনা লৌনরি। চহী হৌবগী কুম্হৈ ওইনা চৈরাওবা হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগা মান্ননা ম্যান্মারগী ওইনসু চহী হৌবগী থৌরম অসি এপ্রিল থাদা পাঙথোক্লি। চহী হৌবগী থৌরমদা ঈশিং হৈনবগী তোঙানবা ৱারী লৈ। অদুবু মসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি চহী হৌবা নুমিত্তা হকচাং শেংদোকপনি। মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী মীয়ামগা য়াম্না মান্নবা চৎনবীশিং লৈ হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈরিবা কাঞ্চি পার্কতা মীথুংলেনশিংনা ঙামু থাদোকপা অমদি উ পাম্বীশিংসু থাখি।

### থা অসিগী ৩০ দা তেংবাং পীবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস): দিসএবল ৱেলফেয়র দিবলপমেন্ট এসোসিএসন, তকয়েল খোঙবাল ময়ায় লৈকায় ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩০ দা নীপানলক শুবা ওইনা হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নদ্রবী, ঐচ আই ভি/এইদসকা শগোন্নদুনা হিংলিবী নুপী লুখ্রাবীশিং অমদি বি পি এল কার্দ পায়বা নুপীশিংদা মতেং পীবগী থৌরম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। মতেং লৌবা পাম্বীবশিংনা হয়েংদগী হৌরগা থাবা হৌগদৌরিবা ফোর্ম অসি লৌদুনা থা অসিগী ২৯ ফাওবদা থাজিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৭৬২৯৮৫৪৮৮১ নৎত্রগা ৯৮৬৩৪৩১৩৪৭ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**NAME CHANGED**

I, Dineshowry Nongmaithem, D/o N. Shyamsunder, a resident of Kwakeithel Thokchom Leikai, near Tiddim Ground, Imphal West District have changed my name from Nongmaithem Dineshwory Chanu to Dineshowry Nongmaithem vide an affidavit sworn before the Oath Commissioner (Judicial) Manipur dated 18/04/2022.

Sd/- **Dineshowry Nongmaithem**
Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-P/2285/19

**চহীগী দশা য়েংজরি**



অপাইবা দশা, য়েক্লবা, লায়না-তিন্না, থবক-করবার, মহৈ-মশিন, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম পুথবা, য়ুম-ইস্থোল, লৌ, য়ুম্বাল, নুপী-অঙাং, মচা য়াওদবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, নিশাদা লাইচুবা, পক্লবা গাড়ী, লক্সিষ্টোননচিংবা, খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপথনা য়েংজরি। লাকপা ঙমদবশিংগী ওনলাইনদসু য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7595/10/4-10/5 (alt)

**St. Peter's High School**
*Kwakeithel Bazar, Imphal.*
*Reg. No. G/54/01/314*

**TEACHER WANTED**

Application is invited for the post of Asst. Teacher for the School. Interested persons may submit a written copy of application of the following post along with resume on or before 25th April 2022.

| | |
|---|---|
| Name of Post : | Minimum Qualification |
| Computer Teacher : | BCA or Equivalent |
| Date of Interview : | 27th April 2022 |
| Venue : | School Office |

Sd/- **Managing Director**
# 9089341232

HL-P/2286/19,20

**PENSION BOOK LOST**

I have lost my Pension Book bearing PPO No. 112118552 issued by District Treasury Officer, Imphal West on the way between Krishna Prem Oil Pump to Treasury Office, Imphal on 13-04-2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Okram Roma Devi**
Yaiskul Hiruhanba Leikai
# 9862051767

HL-P/2072/19

**SAO CLUB CONGRATULATES 37-ASSAM RIFLES**

37-Assam Rifles Kakching handed over sport items such as 10 Footballs, 4 Football Posts, 13 Football Boots, 13 Football Shin Guards, 10 Skipping Ropes, 5 Volley Balls, 1 Volley Ball Net, 4 Racquates, 1 Badminton Net, 6 Shutter Set, 1 Badminton Post and 2 Whistles to Sena Athletes' Organisation (SAO), Kakching Wairi on 21-03-2022 as a part of Military Civic Action Programme, we congratulate 37-Assam Rifles, Kakching for giving such sport items.

Sd/- **Mayanglambam Premchand Singh**
Secretary, Sena Athletes' Organisation
Kakching Wairi

HL-P/2073/19

**/খোঙ তোয়না হাম্বা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হাম্বা খোঙ হাম্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোকপা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না হাম্বা, অমাংথোঙদা নুংশিৎসু য়াম্না তোয়না চৎপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, খোঙ অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, লম চৎকনি খনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ তোয়না হাম্বা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং য়াওরকপনা হকচাংদা চোকথবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু হীদাক চারবসু খকউ য়াদবা, ঈ লেপ্তুনা তাবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং অসি শোন্থরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোক্লগা থাগৎপা, অমাংথোঙসু লুম-লুম লাউরগা লৈবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরকপা অদুগা অমুক ফখিবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Meghachandra Meitei**
Keishampat

HL-B/7590/19

**কৌব্রু খোঙচৎ পাঙথোকপীয়ু**

**য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইবগী পান্দমদা পাগী পারেপ মতুং ইন্না, পুগী পুরেপ ফংনবা কৌব্রু চীংদোল লোম্নসি**

**"মীয়াম হুপ্পা কৌব্রু কাবগী খোঙচৎ"**

**শজিবু ২০নি পানবা শগোলশেন, এপ্রিল ২১, ২০২২ দগী হৌগদবা অসিদা য়েলহৌ ফুরুপচা পূম্নমক্লা কৌব্রু চীংদোল খোঙচৎ পাঙথোকপীয়ু, হৌরক-ৱারী নীংশিংমিন্নরসি**

**মীয়ামদা হায়জরিবা, উকল, কে, ৱাই. ও**

HL-P/1327/19

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।